থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# ওক্টোবর ৩১ অমদি চরাংনবা ৱাখল খরা

ঙসি, ওক্টোবর ৩১, ২০১৯! মণিপুর অমসুং নাগালেন্দগী মীয়াম্বু খ্বাইদগী খোয়রাং খোয়শাউনহনবা নুমিৎ অমনি। চহী কুন্নিথোই চূপ্পা ৱারী শানরক্লবা, নাগা লালহৌবগী ঈরাং লোইশিন্নবা পান্থৈ অমা পুথোক্তুনা, য়ান-ৱারোল খরদা ইন্দিয়ন গভর্ণমেন্ট অমদি নাগা মীয়ামগী মীহুৎশিংনা খূৎয়েক পীনরগনি - ৱারীসিগী ৱাতায়নবা গভর্ণমেন্টকী মীহুৎ ওইরিবা, নাগালেন্দগী গভর্ণর 'আর এন রবি'না লাউথোকখিবদুনা লাংতক্লবা, খোয়শাওনব'সিগী মরু ওইবা মরমনি। হোরেন করি থোক্ল'নি, ঙসি করি ওইর'নি ? তম্বা ঙমদে কনানা। শানরিবা ৱারীসিগী খ্বাইদগী মরুওইবা মীশক অমা ওইরম্বা, 'নেসনল সোসলিষ্ট কাউন্সিল ওফ নাগালেন্দ'গী লুচিংবা, থুইঙালেং মুইভা - খূৎয়েক পীনরমদাইসিদা মচিন চৎত্রবা/মৱা লৌবীদ্রবা মীশক অমা ওইরকপা মানবগী মওং অমা উরকপসিমদি তশেংনমক অঙকপনি। এন এস সী এন (আই-এম) য়াওদ্রবসু খূৎয়েক পীনরগনি - গভর্ণমেন্টকী ফিরেপসি কনানসু থাজখিদবনি। 'নাগাশিংগী তোখায়বা কন্সটিট্যুসন অমদি নাগালিমগী তোঙানবা ফিরাল অনী অসি য়াওদ্রবদি ৱারী শানবই ৱাহন্থোক লৈতে' হায়বা মুইভাগী হোংবা লৈত্রবা ফিরেপসিনা, মহাক্না খ্বাইদগী থাজবা নেগোসিয়েটিং টিমগী মেম্বরশিংনফাওবা মাবু থাদোক্তুনা চৎখিনবই মরম ওইরকই। চহী কুন্নিথোই চূপ্পা নোংমৈ পায়দবা, উমংগী পুন্সি নত্তবা পুন্সি অমগী নুংঙাইবা মশক খঙলবা লান্মীশিং অমুক হন্না উমংদা চৎসি হায়রুবা - হরাও হরাও য়ারক্কদবা কনানো? নাগা-প্রোব্লেম হায়নবা, করিনোদি খঙদবা প্রোব্লেমদু সোল্ব তৌনবা, মঙক কনখ্রবা ইন্দিয়ন গভর্ণমেন্টকা অরোইবা ওইনা খূৎয়েক পীনবদা, মুইভাগী খূৎ য়াওহৌদ্রবা, কদায়দনো মাগী খোঙদাফম! নাগালেন্দগী লুচিংবশিং, 'ইন্দিজিনস নাগা কনানো' মশক তাকপা হৌরক্লে। নাকোইননা, মখোয়গী লুচিংবা 'মুইভা নত্তে' হায়বনি।


অসিগুম্বা তানফমদা, 'রবি' নসু মুইভাদা নমথাক তৌবা (বিত্রেয়র) অমনি হায়দনবা, মণিপুরগী পোলিটিক্স'তা খাবৈ-খারা শাবা পোলিটিকেল-মুব (রাজনিতিগী খোঙথাং) খরা লৌখৎলক্কদ্রা? মদুনি মীয়াম্না চিংনরিবা। মহাক্না মনীংতম্না, চীফ-মিনিষ্টর অমগুম লৈঙাকচবা ঙম্নবা (পৱার-এক্সর্সাইজ তৌঙমনবা) পোলিটিকল-এরেঞ্জমেন্ট অমা তৌরক্কদ্রা? চিংনবদুনা মাঙওইনরগনি মিপাই-চাউবা তম্পাক-লমগী মীয়াম্না লৈতাদনা ঈরাং হৌরিবা। ঙসি' - নুমিৎসিমা পায়নরিবা শিন্থা পূন্নমক থাদোক্তুনা লেপ্পগা খোঙজং চংশিনবীয়ু হায়দুনা 'কো-ওর্দিনেটিং কম্মিটি ওফ মণিপুর ইন্টিগ্রিটি' (কোকোমি) না লাউথোকখ্রিবা। 'অরোইবা ৱারেপ লৌরমদাইদা 'ষ্টেক হোল্ডর' পূন্নমক্কা অকূপ্পা ৱা তানরমগনি' - আর এন রবি'না মতম চূপ্পদা হায়দুনতা লাকখিবা ৱানি। চুম্মী, 'ষ্টেক হোল্ডর' ওইরিবা নাগাশিংগী লূপ/বোদি পূন্নমক্কদি ৱাতানবতা নত্তে, য়ান-ৱারোল অসিগী খূৎয়েক পীনবদা য়াওহনগদৌরি। মণিপুরগী সোসল অমদি পোলিটিকল ওর্গনাইজেসনশিং ৱাতান্নরম্বই ৱাদুদি থমখিসি, পাল্লিবা লৈঙাক অসিদা 'সিগুম্বা অমা তৌদৌরে' হায়বা পাউ অদু ফাওবা পীরকখিদে। থৌওংসিনা তাকই, মদুদি, মণিপুরগী লৈঙাক্না নৎত্রগা মীয়াম্না য়ান-ৱারোলসিগী মায়োক্তা হৌরকপা ঈহৌ নৎত্রগা লাউরকপা পেন্দ' খোল্লাউ - ইন্দিয়া'না মৱা লৌদে হায়বনি। লাল্লব্রা? জুন ১৮গী থৌদোক্তগী হেন্না তমথীবা ঈরাং অমা লাক্কনি - সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংনা কিহল্লি। পাউখুম ওইনা থাজীল্লকই - পেরা মিলিটরি ফোর্সকী অহেনবা কম্পনি ময়াম। 'নখোয়গুম্বদি হায়রুনু পাকিষ্টান্না ফোংনা শৌগৎলিবা কাশ্মীরদা করি ওইখি নীংশিংউ' - পাউজেলসিনি পীরিবা। য়েংসি-হোরেন করি থোক্লবা! থৌদোক্তুগী মখা পোন্না অমুক লেপকনি - মণিপুরদা করি থোক্লদৌবা!

হান্নদগী লাংতক্লরকপা ৱাফমসিগী মথক্তা ঙরাং অয়ূক অঙনবদা অনৌবা, অঙকপা ৱাফম অমা তারকই - 'মণিপুর' ইন্দিয়াদগী তোখায়বা, নীংতম্বা নিংথৌ পানবা লৈবাক অমা ওইরে হায়না সলাই হোলদিংসকী চ্যেরমেন, নারেংবম সমরজিৎ'না লন্দন'দগী লাউথোক্লকখ্রে। ইনিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবগী মীৎয়েংখাদা, লন্দন'দা শেম্বা লৈঙাক অসিগী চীফ মিনিষ্টর 'য়াম্বেম বীরেন'না ওইরে, মহাক্না 'মিনিষ্টর ওফ এক্সটর্নেল এফ্যেরস এন্দ দিফেন্স' ওইরে হায়বা পাউদুনা পূন্নমকপু থবাক য়ৈহনখি। নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওব'না শেংদোকই - পাউদু য়ূম্ফম য়াওদবনি। অসিগুম্বা খোঙথাং অমা মহাক্না থাংগে খল্লম্লবা, ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা ফাবা পূনবা ঙম্লোইদবা, মখোয়না লম্বা ফংলোইদবা মফম অমদা হান্না চেন্দুনা মীচেন ওইফম থোকপনি। সলাই হোলদিংসকী বোর্দ ওফ দিরেক্টরস'নসু খুদক্তা প্রেস উনদুনা শেংদোকই - 'ৱাফম অদু সমরজীৎ মশাগী মরন্নাই ওইবা ৱাফমনি, কম্পনি এক্টকী মখাদা রেজিষ্টর তৌরবা কম্পনি অমনি ... কম্পনিসিগী ফাউন্দর দিরেক্টর শ্রী নারেংবম সমরজীৎকী মীং বোর্দ ওফ দিরেক্টর লিষ্ট'তগী লৌথোক্লে ... অথুবা মতমদা অনৌবা চ্যেরমেন খল্লগনি, সলাই হোলদিংস অমদি মাগী সবসিদিয়েরিশিং হান্নগুম কায়দনা মীয়ামগী থৌগল তৌখিগনি'...। লৈরক-কোন্সাং-কৈথেল-হোটেলনচিংবদা ঙাঙনরিবা ৱাফম - 'ইন্দিয়াদগী তোঙান তারে লাউথোক্লুবা মহাকপু ইন্দিয়ানা লেম্না থাগদ্রা ... মহাক্না লিংলম্বা কম্পনি, হৌজিক্তি এন আই এগী মীৎয়েং চঙলনি, হিংখিগদ্রা হৌজিকপো ...তারম্লনি মখোয়সু।

মরকসিদা হায়রকই, কনাগুম্বনসু - মহাক্কুম্না থৌনা লৈবা অতৈ কনা লৈবগে? নিংতম-লালহৌ হৌরম্বসু নত্তবা মহাক্না অসুম তৌরক্কনি - কনানসু খনখিদে।

লৌশিং পুক্কে / খোমজিনবা- কৈথেল্লাকপম খুমনঙম্বা

# খৌনাওদা ঙা মরূ পনবা



ঙা তোয়না চাবা মীওইশিংদদি ঙা মরূ য়োৎপা হায়বসি তোয়না তৌদুনা লৈরবা থৌওং অমনি। য়োৎলিবা ঙা মরুশিং অসি অয়াম্বনা পীক্কল্লি, মওং মরীল তাদে অমদি মচীন য়াম্না থৌবগুম্বা ওইগল্লি। অদু ওইরগসু অয়াম্বনা চাকখাউদা তুমখিদুনা খুদোংচাদবা থোক্তে। অদুবু করিগুম্বা মতমদদি অসিগুম্বা ঙা মরূশিং অসি খৌনাওদা পনখিদুনা য়াম্না নুংঙাইতবা থোকহনবসু য়াওদবা নত্তে। অসুম্না খৌনাওদা ঙা মরূ পনবা মতমদা য়াম্না কা হেন্না নাবা ফাওদ্রগসু হৈনদবা অমদি পাখৎপনচিংবা থোকই। খৌনাওদা ঙা মরূ পনবগী মতাংদা কান্নগদবা ৱাফম খরা খঙমীন্নসি।

**ঙা মরূ পল্লে খঙনবগী খুদমশিং**

ঙা মরূ পনবগী খুদম অসি হেক পনবগা অদুম্মক খঙ্গল্লি। ঙা মরূ পল্লে হায়বসি ইশানা অদুম্মক ইরায় লায়না খঙই। অদুবু য়াম্না লায়না খঙবশিং মওংশিং অদু নত্তবা অতোপ্পা খুদম খরসু লৈরি, মখোয়শিং অদুদা- লোক খূবা, খৌনাওদা মরেং-মরেং চৎপা, তিন য়োৎপদা নাবা, য়োৎশিন্নবা হোৎবদা অৱাবা ওইবা, খৌনাও মনুংদা করিগুম্বা অমা য়াওরগা লৈবা মানবা, ঙা মরূনা থিনবা মফমদা য়াম্না নাবা, তিন শীৎপদা ঈ য়াওরকপা অসিনচিংবশিংনি।

**ঙা মরূ পনবদগী থোক্লকপা য়াবা খুদোংচাদবশিং**

করিগুম্বা খৌনাওদা ঙা মরূ অমা পন্দুনা লৈরে খল্লবা অমদি লৌথোকপা নৎত্রগনা তাহনখিবা য়াদ্রবদি দোক্তরদা য়েংথোক্কদবনি। ঙা মরূ অয়াম্বনা ময়া থৌই। মসিনা খৌনাওদগী তাখিদুনা য়োৎশিনখ্রবসু থিনদৎপগী চৈনাখোলদি লৈহৌবা য়াই। অসিগুম্বা মতমদা ঙা মরূদু তাখ্রগসু খৌনাওদা পন্দুনা লৈরিবগুম ফাওই।

অদুবু করিগুম্বা তিন শিৎপদা ঈ য়াওরক্লগদি ঙা মরূ অদু খৌনাওদা পন্দুনা পোমখৎলগা লৈরে হায়না খঙবা য়াই, নৎত্রগনা নীংশা হোনবা ৱারবদি খুদক্তা দোক্তরদা চৎপা মথৌ তাই। খৌনাওদা ঙা মরূ পন্দুনা লৈরে খল্লগদি হীপ্লোইদবনি।

ঙা মরূ পনবদগী ওইহল্লকপা য়াবা খুদোংচাবদবশিংগী মনুংদা অচা-অথক য়োৎপা ঙমদবা, ঈ থোকপা, ইসোফেগসতা ঙা মরূনা থিনদৎপা, ইনফেক্সন, থবাক নাবা, নাই চাবনচিংবশিং য়াওরি।

**য়ূমদা ঙা মরূ লৌথোক্লবা পান্থৈশিং**

হোস্পিটালদা চৎত্রগসু ইশানা য়ূমদা তৌজবা য়াবা ঙা মরূ লৌথোক্লবগী পান্থৈ কয়ামরু লৈ। অদুবু মীপুম খুদিংমক মান্নবা নত্তবনিনা পান্থৈ খুদিংমক কান্নগনি হায়বদি লৈতে। তৌবা য়াবশিংদি-লোক কন্না কন্না খূদোকপা, ভিনেগর খজিক্তং থক্তুনা ঙা মরূদু কায়হল্লগা তাহন্নবা হোৎনবা, সোদা থকপা-মসিনা চাকখাওদগী থোক্লকপা গ্যেসনা ঙা মরূদু কায়হনবদা মতেং পাংই, ওলিব ওইল টেবলস্পুন অমা থকপা-মসিনা নালহন্দুনা ঙা মরূ অদু নাম্থহনখিবদা মতেং পাংই, লফোয় অমা খরা চাউনা চীক্লগা য়োৎশিনবা-লফোয়দুদা ঙা মরূদু নপ্লগা য়াওখিগনি, চাক নৎত্রগনা ব্রেদ নৎত্রগনা পিনট বট্টর খরা চাউরপ্লা য়োৎপা, ব্রেদ খরা ঈশিংদা তীংলগা য়োৎশিনবা অসিনচিংব তৌবা য়াই।

য়ূমদা তৌবা য়াবা তৌরবসু ঙা মরূ অদু তাবা ঙমদ্রবদি দোক্তরদা য়েংথোক্কদবনি। করিগুম্বা ঙা মরূ অদু ইসোফগসতা য়ূশিন্দুনা লৈরগদি ইসোফগস অদু তৎপা য়াওনা অতৈ কমপ্লিকেসনশিং থোক্লকপা য়াই।

দোক্তরনদি ঙা মরূ অদু য়াম্না থুনা লৌথোকপা ঙম্মী। অদুবু করিগুম্বা মতমদদি ঙা মরূ অদু উবা ঙমদবদগী ইন্দোস্কোপিগী মথৌ তাবসু য়াওই। য়াম্না তাঙনা থোকপা কেসশিংদা এক্স-রে শীজিন্নদুনা ঙা মরূ অদু থিবা মথৌ তাবসু য়াওই। খুদম ওইনা কুমজা ২০০৩ দা চথখিবা কেস ষ্টদি অমদা ঙা মরূ পন্দুনা চৈনা খাঙলীবী নুপী অমদা ঙা মরূ অদু উবা ফংদবদগী এক্সরে শীজিন্নদুনা য়েংবদা খৌনাওগী মসল অমগী মনুংদা চঙশিন্দুনা লৈরম্বা থেংনখি।

ঙা মরূ য়ূবা অসি চারীবা ঙাগী মখল, ঙা অদু থোংবগী খুথোংগীসু মখা পোল্লি। অদুগা খরা তোয়না ঙা মরূ য়ূগনবা মীওইসু লৈ। অদুনা চাবা, শায়বা অমদি য়োৎপগী মওং মতৌগী মখাসু পোল্লি।

**ঙা মরূ য়ূহন্দনবা পান্থৈশিং**

শোয়বদগী ঙা মরূ য়ূখিবা হায়বা অসি থোকহন্দবা য়াবা থৌওং অমনি। ঙা অদু থোংদ্রিঙৈদা মরূ লৌথোক্লগসু ঙা মরূ য়ূবগী খুদোংথীবা অদু হন্থহনবা য়াই। অদুবু অকুপ্পা ঙা মরূ কয়াদি য়াম্না কূপ্পা মরম্না লৌথোকপদা খুদোং চাদে।

খৌনাওদা ঙা মরূ পনবা অসি করিগুম্বা মতমদদি মথন্তা তাজখিবসু য়াওই। অদুবু ঙা মরূ পনবা অদুনা মরম ওইরগা য়াম্না নুংঙাইতবা থোকহল্লবা অমদি তাহনবা ঙমদ্রগদি শূকশোয় শোয়দনা দোক্তরদা য়েংথোক্কদবনি।

## থাদৌ ইনপিগী দেলিগেসন অমনা ইন্দো কুকি টোককী ইন্টরলোক্যুটর এ বি মাথুর উনখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩০ (ঐচ এন এস): থাদৌ ইনপি জেনরেল হেদ ক্বার্টর (মণিপুর) গী প্রসিদেন্ট লমিনথাং কিপগেননা লুচিংবা দেলিগেসন অমনা ন্যু দিল্লিদা ঙসি ইন্দো কুকি টোককী ইন্টরলোক্যুটর ওইরিবা রিটয়ার্দ আই পি এস এ বি মথুরগা উনদুনা ৱারী শানখ্রে হায়না থাদৌ ইনপি জেনরেল হেদ ক্বার্টরগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি দিপার্টমেন্টকী সেক্রেটরি (ইন-চার্জ) সৈখোলেন সিংসিটনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, ঙসি দিল্লিদা ইন্টরলোক্যুটর, ইন্দো কুকি টোক রিটয়ার্দ আই পি এস, এ বি মাথুরগা উনখিবা অদুদা থাদৌ ষ্টুদেন্টস এসোসিএসনগী সেক্রেটরি জেনরেল মাইকেল লমজাথাং হাওকিপ অমদি থাদৌ ইনপিগী মীওই মরিসু য়াওখি। ইন্টরলোক্যুটরগা ৱারী শানখিবা অদুদা নাগা পিছ টোককী ফাইনেলাইজেসনগী ক্রুসিয়ল ষ্টেজ অমদা লাকপা অমদি ক্রিটিকেল ওইবা ইস্যু কয়াগী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নখি। দেলিগেসন টিম অদুনা ইন্টরলোক্যুটর এ বি মথুরদা ইন্দো কুকি টোককী ৱারোইশিন অমসু থা অসিগী ৩১ দা নাগা টোককী ৱারোইশিন পুরক্লবগী মতম লেপ্লিবা অসিগা পুন্না পায়খৎহন্নিংবগী অপাম্বা ৱাফম ফোঙদোকখি।

থাদৌ দেলিগেসন অদুনা কুকিশিংগী সেটল তৌদনা লৈবা ৱাফম কয়াগী মতাংদসু পুথোকখি। কুকি অমদি নাগাগী পোলিটিকেল প্রোব্লেম অসি ৱারোইশিন পুরক্লবা ইক্বেল ট্রিটমেন্ট তৌফম থোকই হায়বা ৱাফমসু থমখি। নাগা পিছ টোক্কী ফাইনেলাইজেসনগী প্রোসেস অমা লাক্লি। ইন্দো নাগা টোক্কী ফাইনেলাইজেসন তৌরকপা মতমদা ইন্দো কুকি টোক্কীসু চপ মান্ননা ফাইনেলাইজেসন তৌবীয়ু হায়বা ৱাফমসু থমখি। পুং ২ রোম ইন্টরলোক্যুটরগা থাদৌ ইনপিগী দেলিগেসন অদুগা ৱারী শানখি। দেলিগেসন অদুনা পুখৎলকখিবা তোঙান তোঙানবা ৱাফমশিংগী মতাংদা এ বি মাথুরগা ৱারী শানখি হায়নসু থাদৌ ইনপি জেনরেল হেদ ক্বার্টরগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি দিপার্টমেন্টকী সেক্রেটরি ইন-চার্জ সৈখোলেন সিংসিটনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অদুনা মখা তারি।

## ট্রাঞ্জিসন পোইন্ট ওইহনবা য়ানিংদে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩০ (ঐচ এন এস): মোদর্ন কোলেজ অমদি এম বি কোলেজদা মিলিটরি ষ্টেসন তৌনবগীদমক থৌরাং তৌরকপগী থৌওং চথরক্লি। মহৈ লোয়শঙদা মিলিটরিগী ট্রাঞ্জিসন পোইন্ট ওইহন্নবগী লৈঙাক্না লৌখৎলক্লিবা থৌওং অসি য়ানিংদে হায়না য়ুথ ফোরম ফোর প্রোটেক্সন ওফ হ্যুমেন রাইটসকী প্রসিদেন্ট কে ঐচ ফজ তোননা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা লৌখৎলক্লিবা ষ্টেপ অসি য়ানিংদে। মসি ইন্টরনেসনল হ্যুমেনিটরিয়ন লো ভাইওলেট তৌবা থৌওং অমনি। অসিগুম্বা থৌওং অসি লেপ্পীয়ু। সিভিলিয়নশিং প্রোটেক্ট তৌবীয়ু হায়রি।

## লাইওন্স ক্লব ওফ ইম্ফাল গ্রেটরনা শীন্দুনা পিছ পোষ্টর কন্টেষ্ট পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩০ (ঐচ এন এস): লাইওন্স ক্লব ওফ ইম্ফাল গ্রেটরনা শীন্দুনা থা অসিগী ২০ দা সেক্রেট হার্ট হায়র সেকেন্দরি স্কুল, পোরোম্পাৎ ইম্ফাল ইষ্টতা পিছ পোষ্টর কন্টেষ্ট পাঙথোকখ্রে।

ইন্টরনেসনল পিছ পোষ্টর কন্টেষ্টকী শরুক অমা ওইনা জর্নি ওফ পিছ হায়বা থীমদা লাইওন্স ক্লব ওফ ইম্ফাল গ্রেটরনা শীন্দুনা পোষ্টর কন্টেষ্ট অদু পাঙথোকখিবনি। চাংদম্নবা অদুদা দল্লিয়ু মালেমঙানবী চনুনানা অহানবা পোজিসন, জেক্সন থৌদামনা অনীশুবা পোজিসন অমদি কৈথেল্লাকপম মোনানা অহুমশুবা পোজিসন তাখি। মকোক মথং তাখ্রবশিংদা মনা-মথুমসু য়েন্থোকখি। মনা অসিদা শেল ওইনা মথংশিংনা অহানবা প্রাইজদা লুপা ২০০০, অনীশুবদা লুপা ১৫০০ অমদি অহুমশুবদা লুপা ১০০০ নি। পিছ পোষ্টর কন্টেষ্ট অদুদা শরুক য়াখিবশিংদসু সার্টিফিকেট পীখি। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা লাইওন্স ক্লব ওফ ইম্ফাল গ্রেটরগী প্রসিদেন্ট ডা. সুরজিৎ কোন্সমনা হায়খি, পিছ পোষ্টর কন্টেষ্ট অসি মহৈরোয়শিংদা ঈং তপ্পগী ৱাখল্লোন অদু ফোঙদোক্লবা পাঙথোকপনি। সেক্রেট হার্ট স্কুলগী ষ্টাফ অমদি ওজাশিংনা পিছ পোষ্টর কন্টেষ্ট অসি শিল-লাংবদা সপোর্ট তৌরকখিবগীদমক থাগৎলি হায়নসু ফোঙদোকখি। লাইওন থাংজম জয়কুমারনা রিফ্রেসমেন্ট স্পোন্সর তৌখি হায়রি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ৩১।১০।২০১৯ ইং, শগোলশেল হিয়াঙ্গৈগী ৪নি পানবা।

**মেষ :** ফংবা য়াবা পনবা, মীচং খরা ৱাৎপা অমদি নথক থোংবগা ৱাখল তামিন্নবা ৱাৎপা লৈগনি। মীংচৎ ফংবা, মরী মতানা থাগৎপিবদি লৈ, অফবা খরসু ফংই।
লৈশা পাখংশিংগী - হায়জবা তাবিগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু।

**বৃষ :** নীংবা থুংগনি, নক্লবগী মতেং লৌবা য়াগনি অমদি লৌশিংগী মতেংনা নুংশাথীবা কোক্কনি। হুরানবা অমদি য়েক্লবদগী চেকশিনবদি ফগনি-ঈরাং পুগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

**মিথুন :** নচাক-নরল হেনগৎপগী নুংঙাইবদি লৈ অমদি ৱাখলগী পাঙ্গল কল্লি অদুনা মীনা ইশিনবা ঙাইদনা থৌ পাংবা ফগনি। মরুপ-মপাংনদি ৱারৌগনি-অনম তানগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - খনবদুমক ওইগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**কর্কট :** চরাংনবনা মতম মাঙদুনা তোক্কনি, ৱা ঙাঙবা চেকশিল্লু অমদি নথৌদা পূক্লিং চংবা ঙমলোই। অদুবু থৌনা লৈনা অকিবা লৈতনা মাঙলোমদা চংশিনলু।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা থাগৎপিগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

**সিংহ :** য়েৎনরসু ঙমগনি অমদি য়েক্ল-তিংখং লৈরোই। পাউ নুংঙাইবা তাগনি, অদুবু অৱাৎপা অমদি লৈবনা অখঙ-অহৈ তানবা ফগনি। খূৎ চাউবদি মাঙগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - খাংবা কনগদবা নুমিৎনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**কন্যা :** অনম তানবনা লন মাঙগনি অমদি লৈঙাক্কী থবক্তা মীখা পোনবা য়াবা লৈবনা নোল্লুক্না চৎপা ফৈ। নথক থোংবা অমদি মীয়াম্না য়াবা লম্বীদা চৎপনা মায় পাক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা চাল্লি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**তুলা :** মথা শাবা, থৌনা ফুদোকপা য়াদবা অমদি হোয়া ফবসু মাঙবা য়াবা নুমিৎনি। ইতোমতগী ৱাখল্লোন্না অহেনবা থৌ পাংগনু। মহৌশাগুম চৎলু-ফত্তবা নংলোই।
লৈশা পাখংশিংগী - মতম খরা ঙাইবা ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**বৃশ্চিক :** হরাওবা নুংঙাইবা ওইজ-ওইথক ফংবা অমদি লাই-গুরুনা চানবীবা লৈগনি। অদুবু পোরম য়াৎপা অমদি ৱাঙাঙ হৈত্রবদি চোপ্পা ইকায়বা নংবা য়াবা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

**ধনু :** খৎনবা, অফা অপুন্নবা অমদি কাইনবা য়াবা লৈ। অদুনা ৱাখলদি খন্থরগা পংশিন্নবা শাবনা য়াইফবা ওইগনি। নাইতোম চৎকনু-মরুপ লোয়নৌ-শাফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবগী য়াকা য়েংনা চৎলু।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/ফৌ।

**মকর :** ইমুং-মনুং ৱা তাননা পাংবা থবক মায় পাকপগী নুংঙাইবা অমদি লাইবক ফবা নুমিৎনি। মীকোক থোংবা য়াবা লৈ অদুনা চিংনদনা মাঙলোমদা চংশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী - মায় পাকচবা লৈগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু।

**কুম্বা :** নচা-ননাই চাওখৎপা, পোরম য়াৎপা হৈবা অমদি অরং-অরাক ফংবগুম নুংঙাইজবা নুমিৎনি। পাঙ্গল ফুদোকপা থবক্তদি খুদোংথীবা য়াবা লৈ-ফিংগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা মপা চাগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**মিন :** য়েৎনবা লৈরম্লসু ঙমগনি, চাদিং হন্থবসু ঙমগনি অমদি হৈশিংনা নথক থোংববু খুদুম চনগনি। অদুবু নথন্তগী ৱাখল্লোন্না অরুবা থবক পাংবদি ৱাগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - মায় পাক্কনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

## এসে কম্পিটিসন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩০ (ঐচ এন এস): আর টি আই ৱিক ২০১৯ গা মরী লৈননা মণিপুর ইনফোর্মেসন কম্মিসন্না দি এম য়ুনিভর্সিটিগা খুৎশম্নদুনা থা অসিগী ৯ গী অয়ুক পুং ১০.৩০ তাবা মতমদা দি এম কোলেজ ওফ সাইন্সকী সেন্ট্রেল হোলদা আর টি আই এসে কম্পিটিসন পাঙথোকখ্রে হায়না কম্মিসন অসিগী দেপ্যুটি সেক্রেটরিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি। কম্পিটিসন অদুদা দি এম য়ুনিভর্সিটিগী প্রবিন কাংজমনা অহানবা পোজিসন, য়ুনিভর্সিটি অসিগী জুলিয়া খুল্লাকপমনা অনীশুবা পোজিসন অদুগা শাদোকপম রিশিকান্তনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি। মহৈরোয় ৩ সু কন্সোলেসন প্রাইজগীদমক খনগৎখি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## মীয়ামগী য়াইফনবগীদমক তোঙান-তোঙানবা দিমান্দ তাল্লদুনা সী পি আই অমদি পোলিটিকেল পার্টি কয়ানা পুন্দুনা ৱাকৎ খোঙজংশিং চঙশিনখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩০ (ঐচ এন এস): মীয়ামগী য়াইফনবগীদমক তোঙান তোঙানবা দিমান্দ তাল্লদুনা সী পি আই, সী পি আই-এম, ফোরৱার্দ ব্লোক, আর এস পিনা খুৎশম্ননা শীন্দুনা থা অসিগী ১০ দগী হৌরগা ৱাকৎ খোঙজং কয়া চঙশিনখ্রে হায়রি।

সী পি আই, সী পি আই-(এম), ফোরৱার্দ ব্লোক অমদি আর এস পিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ন্যু দিল্লিদা লৈবা কনষ্টিট্যুসন ক্লবতা সী পি আই, সী পি আই-এম, ফোরৱার্দ ব্লোক, আর এস পি, সী পি আই-এম এলগী অপূনবগী কনভেন্সন অমা চহী অসিগী সেপ্টেম্বর ২০ দা পাঙথোকখি। কনভেন্সন অদুনা চহী অসিগী ওক্টোবর ১০ দগী ১৬ ফাওবা পাক শন্না খোঙজং চঙশিন্নবা লেপ্পখি। কনভেন্সন অসিগী ৱারেপ মতুংইন্না মণিপুরদসু কম্যুনিষ্ট পার্টিশিং অমদি ৱাখল মান্নবা কাঙবুশিং পুন্দুনা মতম অসিদা খোঙজংশিং চঙশিনখি। খোঙজং অসি মরুওইনা লৈবাক অসিদা শেল-থুমগী ফীভম শোকচিল্লকপগা লোয়ননা মীয়ামগী অৱাবা নোংম-নোংমগী হেনগৎলকপা অসিদগী করম্না কনবা ঙমগদগে হায়বগী পান্দমদা চঙশিনবনি।

তাল্লিবা দিমান্দশিংদি, ইমপ্লোয়মেন্ট হেনগৎনবা পব্লিক ইনভেষ্টমেন্টকী শেনফম হেনগৎলু, থবক ফংদবা নহাশিংদা অনইমপ্লোয়মেন্ট এল্লাওৱেন্স পীগদবনি, থা অমদা লুপা লিশিং ২১ গী মিনিমম ৱেজ পীগদবনি। থবক্তগী লৌথোকখ্রবা শিন্মীশিংদা থাগী লিভিং ৱেজ পীনবা প্রোভিজন লৈঙাকনা শীনগদবনি। পব্লিক সেক্তরশিং প্রাইভেটাইজ তৌবা লেপকদবনি। দিফেন্স অমদি কোয়লা সেক্তরদা এফ দি আই চাদা ১০০ লৌথোক্কদবনি। বি এস এন এল, ফেক্টরিশিং, রেলৱে অমদি এয়র ইন্দিয়ানচিংবা পাক্তক্লনা প্রাইভেটাইজ তৌবা লেপ্পু। মহাত্মা গান্ধী নেসনল রুরেল ইমপ্লোয়মেন্ট জেনরেসনগী শেনফম হেনগৎহন্দুনা হান্নগী দ্যুশিং পীনবা অমদি চহীদা য়ামদ্রবদা নুমীৎ ২০০ থবক শুনবা অমদি মিনিমম ৱেজ পীনবা শিনগদবনি। লৌউ-শিংউগী অৱাবা কোক্লবা লৌমীশিংদা তোনবা লোন কোক্লবা, লৌমীশিংগী পোথোক মখোয়গী পুথোকমলদগী শরুক অমা মখায় হেনগৎনা মিনিমম প্রাইজ পীবা থবক্তা ওন্থোক্লবা অমসুং লাউথোক্লবা শিনগদবনি। ওল্ড এজ অমসুং লুখ্রাবীদা পীবা পেন্সন থাদা লুপা ৩০০০ দা হেনগৎকদবনি। ফুদ সিক্যুরিটি মীপুম তীংনা পীগদবনি। সিটিজন্সিপ এমেন্দমেন্ট বিল চৎনবা য়ারোই। ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমদি এন এস সী এন-আই এমগী সোল্যুসন পুরকপদা মণিপুরীশিংগী ইন্টরেষ্ট শোকহনবা য়ারোই হায়বা অসিনি।

লৈঙাক অসিগী মতমদা শেল-থুমগী ফীভম লৈখা তাহল্লে। শেল-থুমগী দেটাবু লোৎশিন্দুনা ওইদ-পাদবা কয়া ঙাং-শক্লি। মখোয়না মদু লোৎশিল্লবসু ঐখোয়না খঙই। থা অসিগী মনুংদা লৈবাকসিদা লৈবা ওটোমোবাইল ফেক্টরি অনী থোঙ লোনশিনখ্রে। মীয়ামগী পোৎচৈ লৈবগী পাঙ্গল হন্থরক্লে। মসিনা মরম ওইদুনা ময়াই ওইবা কাঙলুপকী মীওইশিং অৱাবদা নমশিনবীরে। ফেক্টরি কয়াদগী শিন্মী কয়া নক্লৌ লৌথোকখ্রে। খ্বাই মীয়ামগী অৱাবশিং অসি নাথৈবা য়ানবা থবক কয়া লৌখৎলি। লৈবাক অসিদগী ষ্টেট অমা মশিং হন্থহনখ্রে। ষ্টেট অদুগী মীওইশিংবু খুবাক্তা হাপ্পুনা শান্নরি। থৌদৌ অসিমক মণিপুরদসু চথরকপা য়ারি। ৱারবা তাঞ্জা অসিদা ইন্দিয়াগী ইনাক খুনবা ইমুং খরদা টেক্স কন্সেসন পীরি। অসিগুম্বা কয়া অসিনা মরম ওইরগা চঙশিল্লকপনি হানয়সু মখা তারি।

## শোক্লবশিং ফর্ষ্ট এইদ পীখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩০ (ঐচ এন এস): তেংনৌপললোমদগী থৌরকপা কার অমা থা অসিগী ২৯ গী নুমীদাং পুং ১০ রোম তাবদা দ্রেনদা য়ুংশিনবদগী দ্রাইভর অমসুং তোংলকপা মীওই অশোক-অপন নংবদগী তেংনৌপল বট্টালিয়ন ওফ ২৬ সেক্তর অসাম রাইফলসকী রেজিমেন্টেল মেদিকেল ওফিসরগী য়ুনিট মেদিকেল টিমনা ফর্ষ্ট এইদ পীখ্রে হায়না আই জি এ আর (সাউথ)কী পি আর ওনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, হেদ ক্বার্টর আই জি এ আর (সাউথ) কী মীৎয়েং মখাদা ২৬ সেক্তর এ আরগী য়ুনিট মেদিকেল টিমনা ফর্ষ্ট এইদ পীখ্রবা অশোকপশিং অদুদি, হোপু মাতে অমদি থাংখোমাং কৌই। মখোয় মকোক অমদি হকচাংগী শরুক কয়াদা অশোক অপন নংবা য়াওরি। মখোয় ট্রিটমেন্ট তৌরবা মতুংদা রিজনল ইনষ্টিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) হোস্পিটালদা রিফর তৌখ্রে।

অমরোমদা, আই জি এ আর (সাউথ)কী পি আর ওনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, আই জি এ আর (সাউথ) কী মীৎয়েং মখাদা নাইন সেক্তর এ আর মন্ত্রিপুখ্রি বট্টালিয়ন্না শীন্দুনা শগোলমাং কম্পেনি ওপরেটিং বেজদা সিক্যুরিটি মীট পাঙথোকখ্রে। মীট অদুদা খুঞ্জা কয়া, প্রধান, ৱার্দ মেমম্বরনচিংবা শরুক য়াখি হায়রি।




HL-B/5749/17oct-16nov.